# রগবীদি মণিপুর মচানা শান্নগদবা গেমনি, মশান্নসিদা এসিয়ান গেমস, কম্মনৱেলথ, ৱর্ল্ড কপ, ওলিম্পিক গেমস য়াওবা ঙম্বা প্লেয়র শোইদনা থোরক্কনি



লোঙজম শান্তিকুমার
*রগবী কোচ*

*(মমাঙগী মখা...)*

চৎলিবা জুলাই থা অসিগী ১৯দগী ২১ ফাওবা পটনাদা চথুগদৌরিবা নেসনল গেমস ক্বালিফয়িং অসিদা শুকশোই শোইদনা মণিপুর রগবী টিম অসি (নুপা অমসুং নুপী) ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমগনি খল্লি। ষ্টেটকী টিম অসিদা খরা মমিং লৈখৎলক্লিবা প্লেয়রশিংসু য়াওরি। মখোয়না ফিল্ডদা অফবা পার্ফোমেন্স পীরক্কনি হায়না থাজৈ। হান্না ইন্দিয়া কেম্পতা শান্নরুবা প্লেয়রশিংসু হন্দক্কী খোঙচৎসিদা লোইনা য়াওগদৌরি। অদুদসু নত্তনা মণিপুরগী মপান্দা শান্নরুবা (দিল্লিদা লাইরিক-লাইশু তমদুনা লৈরিবঁদা) জি বিমেস শর্ম্মা হন্দক্তী মহাকসু মণিপুর টিমদা য়াওদুনা শান্নগনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী ওইনা টিম ২৪ লাক্কদৌরিবা অসি খরা লিঙবা হায়রগদি ৱেষ্ট বেঙ্গল, মহারাষ্ট্র, চান্দিগর, ওরিষা, সর্ভিসেস..... মখোয় খরা অসিনি। হায়রিবা টিমশিং অসি মণিপুর মচাশিংগা অদুমক লম্বা তৌনবা ঙমগনি। মখোয়না খরা এদভান্স ওইনা শান্নখিবগী মশান্নসিদা মফম অমা মাঙজে ৗননা কনখিবগী ৱানী। অদুমকপু হৌজিক্তী ইন্দিয়ন রগবী ফুটবোল য়ুনিয়ন্না অকনবা খোঙথাংগা লোয়ননা গেম মখল অসি ইন্দিয়াদা হেন্না চাউখৎনবা হোৎনরক্লি।

অদুগা রগবী হায়রিবা গেম মখল অসি শান্নবা মতমদসু শেল য়াম্না চঙবা অদুগুম্বা মশান্না অমসু ওইরি। গেমসি শান্নবদা শেৎ-চারিবা য়ুনিফোর্ম অসিসু খরা তোপ তোপ্পী। মসিগা লোয়ননা, টিম অমদা ষ্ট্রাইক্কর ওইরিবা মরু ওইবা প্লেয়র অনীদি হেদ গ্যার শীজিন্নদবা য়াদে। কি প্লেয়র ওইবা ষ্ট্রাইক্কর অনীদি কম্পলসরি হেদ গ্যার উপকনি। হায়রিবা হেদ গ্যার অসি অমমমদা লুপা লিশিং মরি/মঙাগী মমল ওই। রগবী শান্নবদা শীজিন্নরিবা খোঙউপ বুট অসিসু ষ্টুদসিদা খরা সোফ ওইবা অদুগুম্বা মখলগী বুট অমা শীজিন্নে। ঐখোয়না রগবী শান্নবদা শীজিন্নরিবা বোল অসিসু হৌজিক ফাওবা মণিপুরদা ফঙদ্রি। অদুম ওইনমক রগবী ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েলশিংনা মখোয়না লাকপা খুদিংদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগীদমক বোলসিমদি পীবিরম্মী। ৱর্ল্ড ষ্টেন্দর্দকী ওইবা রগবী বোলসিগী প্রাইজ অসি লুপা ১,৫০০ গুম্বা পী। ইন্দিয়াদা শাবা রগবী বোলসিদি থা অমা ফাওবা চৎতে। মমলসু লুপা ৬০০/৭০০তমক পী। ক্বালিটি য়াম্না য়াওদে। অদুনা শান্নবদসু নুংঙাইতে। অদুমকপু রগবী ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েল কাংবুনা স্পেসল ওইনা তপ্না তপ্না শাহনবদি হৌরক্লে। ক্বালিটি লৈনা ৱর্ল্ড ষ্টেন্দর্দতা শানবা অকনবা ইনষ্ট্রক্সন পীদুনা হোৎনরক্লি। তশেংনা হায়রবদা রগবীগী বোল অসি নুংশিৎ হাল্লবা মতুংদা গ্রাম ৪০০দগী ৪৪০ ফাওবগী অরুম্বা ওইগদবনি। বোলসি সিনিয়রগা জুনিয়রগসু মান্নদে। নম্বরগী মতুং ইন্না জুনিয়রগী শান্নবদনা নম্বর ফোর ওইগনি। অদুগা সিনিয়র প্লেয়রশিংগী শান্নবা মতমদনা নম্বর ফাইভ শীজিন্নগনি।

রগবী মশান্নগী ওইনা হৌজিক ঐখোয়না শান্নজরিবা অসিনা মখল অনীদনি। টিম অমদা মী ১৫/১৫ শারগা শান্নবা অমা, অদুগা অতোপ্পা



রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
রগবীদা মীৎয়েং অমা

অমনা সভেন এ-সাইদ হায়দুনা প্লেয়র তরেৎ/তরেৎনা শান্নবা অসিনি। প্লেয়র ১৫/১৫গী শান্নবা মখল অসিনা পুন্না মিনট ৮০ শান্নে। মরক্তা মিনট ২/২গী ব্রেক মরিক লৈ। তরেৎকী শান্নবা অসিনা মিনট তরেৎ/তরেৎ শান্নরগা মরক্তা ব্রেক অমখক থম্মী। ইন্টর্নেসনল লেভেলদা হৌজিক হৌজিক য়াম্না পোপুলর ওইরক্লিবসি মিনট তরেৎ/তরেৎ শান্নবা অসিনি। ইন্দিয়াদসু প্লেয়র তরেৎ/তরেৎ শান্নবসিনা হেন্না পাম্নরিক্লি। হৌজিক ইন্টর্নেসনল লেভেলদা হেন্না পাম্নরক্লিবা অসিসু সভেন এ-সাইদ অসিনি।

রগবী হায়বা স্পোর্টস ইভেন্ট অসি ওলিম্পিক গেমস, এসিয়ন গেমস, কম্মনৱেলথ গেমসকী মশান্না অমা ওইবা মরম্না, ঐখোয়সু কন্না হোৎনরগদি চহী খরগী মতুংদা মমিং লৈবা প্লেয়র শুকশোই শোইদনা পুথোরকপা ঙমগনি।

লাইবক ফবা অমনা, অম্যেচর রগবী এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী থৌ পুবিরিবা কাংবুনা শান্নরোয়শিংগীদমক হেক হৌরকপদগী ঙসি ফাওবা মমল নাইদ্রবা মতেং কয়া পাঙবীদুনা লাক্লি। মণিপুরদা শান্ন-খোৎনবা পামজদুনা থোরক্লিবা অয়াম্বা প্লেয়রশিংদি লাইরবা ইমুংগী ঙাক্তনি। মরম অদুনা শান্নবদা শীজিন্নগদবা ফিরোল, খোঙউপ, ইক্বিপমেন্টশিং লৈবদা অৱাবা অমা অদুম ওই। মণিপুরগী রগবী প্লেয়রশিংগী এসোসিয়েসননা শান্নবদা চঙগদবা পোৎলম পুম্নমক পীবিদুনা ঙসি ফাওবা য়োকখৎলক্লি। এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইবিরিবা ডা. সোইবম ইবোমচা (রিটয়র আই জি), জি বিমোল শর্ম্মা, ভাইস প্রসিদেন্ট (অম্যচর রগবী এসোসিয়েসন ওফ মণিপুর)না পৈশা-নুংশাগী অচৌবা মতেং পাঙবীদুনা ঙসি ফাওবা নুংঙাইনা শান্নবসু ঙল্লি। ৱানা য়োকখৎলকগী মপাননা মণিপুরগী রগবী শান্নরোয় হন্দক চৎকদৌরিবা খোঙচৎসিদা মায় পাকপা ঙম্লব্লগদি, ইকুই কুইদনা মশান্না অসিগী শান্নরোয়শিং মীয়াম্নসু শোইদনা খঙনরক্লগনি।

অরোইবসিদা, মণিপুর মীয়াম্নসু, রগবী মশান্না অসি য়োকখৎপদা থম্মোয় শেংনা সপোর্ট তৌবীয়ু হায়বা ৱাফমসিমসু থমজরি।

*-লোইরবা-*

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৮

১) "ঐনা রোজর ফেদররবু মমীং লৈবা কোর্ট অসিদা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীরে' মসিনা ঐগী পুন্সিদা নীংশিংবা য়াবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইগনি। নাপী মথক্তা শান্নবা টেনিসতা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয়দি মহাকনি। মহাক ঐনা শান্নরিবা মশান্না অসিদা খ্বাইদগীসু হেন্না চম্পিয়ন ওইরিবনি। ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে?

২) মহাক্না হায় 'হৌজিক ঐহাক য়াম্না নুংঙাইনা পোত্থাবা ঙল্লনি'। হৌখিবা চহী ১২দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিকশিংদা মহাক্না শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংবা ঙমখিদে, লুপাগী মেদলশিংদি ফংখি। মহাক্না সনাগী মেদল ফংখিবদা ৱাহৈশিং অসি হায়খিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩) অহানবা অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোক্কি চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৫৭তা পাঙথোকখিবদা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। করম্বা মফমদা চেম্পিয়নশিপ অদু পাঙথোকখিবগে?

৪) ৱিন্টর গেমস অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংবা ঙমখিবী অহানবা নুপী অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# টোকিও ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী দিপিকা কুমারী মরীশুবা পোজিসন তাখ্রে

টোকিও, জুলাই ১২ (এজেন্সী)ঃ

জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্লিবা ওলিম্পিক গেমস টেষ্ট ইভেন্টকী ঙসি পাঙথোকখিবা অচর্রিগী নুপীগী রিকর্ব ক্বালিফাইং রাউন্দগী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী মমাংদা মালেমগী মকোক থোংবা আর্চর ওইরম্বী দিপিকা কুমারীনা মরীশুবা পোজিসন তাখ্রে।



দিপিকানা অপুনবা পোইন্ট ৭২০ লৈবগী মনুংদা পোইন্ট ৬৬৮ ফংদুনা মরীশুবা পোজসন তাখিবদগী কম্পিটিসন অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মিক্স ইভেন্ট অদুদা নোকআউট রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা অর্চর অটানু দাসনা নুপাগী কাংলুপ্তা ১৯শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

জপানগী সিটি য়োকোহামাদা লৈবা য়ুমেনোশিমা আর্চরি ফিল্ডদা পাঙথোক্লিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস টেষ্ট ইভেন্ট অদুগী নুপাগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী অতানু দাসনা ১৯শুবা পোজিসন্দা লৈহৌবনি।

দিপিকাগী য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স অদুদা মিক্স পেয়রগী ইভেন্ট অদুদ মরীশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিমদা মণিপুরগী লাইশ্রম বোম্বেলা অমসুং কোমালিকা বারিগা নুপীগী কাংলুপ্তা ১১শুবা অমসুং ৪৮শুবা পোজিসন্দা শরুক য়াদুনা অকনবা লম্বা তৌদুনা মেদলগী পান্দম থল্লি।

# লক্ষ্য সেনবু মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সৌরব বর্ম য়ু এস ওপনগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে




ফুলর্টন, জুলাই ১২ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস এগী কলিফোর্নিয়াদা ষ্টেটতা লৈবা ফুলর্টনদা পাঙথোক্লিবা য়ু এস ওপন বেদমিন্টনকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় লক্ষ্য সেনবু মায়থীবা পীখিবা অমদি অজয় জয়ারামবু মহাক্কী মেচ মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী জুনিয়র এসিয়ন চেম্পিয়ন লক্ষ্য সেননা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ইন্দিয়াগী সেনিয়র প্লেয়র শৌরব বর্মগা লম্বা তৌনরকপদা য়াম্না অকনবা লম্বদা সেট ৩ চঙনা শান্নখি।

লক্ষ্য সেন টুর্নামেন্ট অসিদা সিদিং ফংখিদ্রবসু মহাক্কী মথক থোংবা ইন্দিয়াগী সেনিয়র শান্নরোয়শিং অদুগা লম্বা তৌনরকপদা মশামক জুনিয়র শান্নরোয় অমা ওইরম্বদগী সেনিয়রগী থাক্তা শান্নরকপদা অকনবা লম্বা পীবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা য়ু এস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ মেচতা মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইন য়ৌখিবা শৌরব বর্মনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা পরুপলি কস্যবপু মায়থীবা পীরম্বা লক্ষ্য সেনবু য়াম্না কন্নবা লম্বা অমদা মায় পাকপা ঙমখি। শৌরব বর্মনা লক্ষ সেনবু অহানবা গেমদা ২১-১১দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা গেমদা লক্ষ্য সেননা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শৌরব বর্মবু ২১-১৯দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

মেচ অদুগী অহুমশুবা গেমদা শৌরব বর্মনা মহাক্কী অহেনবা এক্সপিরিয়েন্সশিং শীজিন্নদুনা লক্ষ্য সেনবু ২১-১২তা থোইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা ঐচ এস প্রনোইগা ক্বার্টর ফাইনেল থেংনরগনি।

প্রনোইনা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারকপদা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দ মেচতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় হিয়ো ক্বাং হিয়ুবু ২১-১৬, ১৮-২১, ২১-১৬দা থোইদুনা ক্বার্ট ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

# কোটিফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমদা মণিপুরদগী ১০ য়াওখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১২ (এজেন্সী)ঃ

স্পেনগী সিটি মাদ্রিদতা থা অসিগী অরোইবা শরুক্তগা পাঙথোক্কদৌরিবা কোটিফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী শান্নরোয় ২২ লাউথোকপগী মনুংদা মণিপুরগীদগী ১০ য়াওখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না স্পেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা কোটিফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র ফুটবোল টিমগী শান্নরোয় ২২ লাউথোকপগী মনুংদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ১০গী মমিং য়াওরি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দিয়ন ৱুমেন্স ফুটবোল লিগ লোইশিনখিবদা শুপ্পগী মেচ ৭তা গোল্ড ২৬ চনবা ঙমখিবী মণিপুরদগী হৌখিবা ঙাঙোম বালা দেবী য়াওরি।



নীংশিংবা য়াবদি, ঙাঙোম বালা য়াওনা অতোপ্পা মণিপুরগী নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয় কয়ানা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরিবা মেমো রোক্কি অমসুং এসিষ্টেন্ট ওইখিবী চাওবগী মরক্তা খেন্নবা কয়া লৈখিবা অদুদা মণিপুরগী নুপী ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয় কয়ানা মখোয়গী লমজিং লমতাক্তা পেন্দ্রদুনা কম্পেন কয়া চথখিবা লৈখ্রবনি।

কোটিফ কপ শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয় ২২গী মমিং লাউথোকখিবা মণিপুরদগী হৌখ্রবা অতোপ্পা লৈবাকঅসিগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লবতা শরুক য়ারিবা অমদি মণিপুরগী ক্লবতা শান্নরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি; গোল কিপ্পরদা মাইবম লিন্থোইঙম্বী, দিফেন্দরদা লোইতোংবম অসালাতা, ঙাংবম স্বিতি, য়ুমখাইবম পাকপী; মিদফিলদা সোরোকখাইবম রঞ্জনা চনু অমসুং নোংমাইথেম রত্নবালা লোয়ননা ফোৱার্দতা ঙাঙোম বালা দেবী, থাংমৈ গ্রেস, দয়া দেবী অমসুং অসেম রোজানি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিগী হৌজিক হৌজিক ফিফাগী রেঙ্কিংদা ৫৭শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা এসিয়াগী ওইনা ১১ শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লিবনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপ্পরদা এ চৌহান অমসুং সোমিয়া; দিফেন্দরদা জমামনি, মিসেল, কস্তনা অমসুং সমিক্সানি; মিদফিলদা সঙ্গিতা, সঞ্জু, মনিসা অমসুং রিতুনি। অদুগা ফোরৱার্দতা অঞ্জু, অনুক্সা অমসুং রেনুনি।

# ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটর অজয় সিংহনা গোল্ড লৌবগা লোয়ননা কমনৱেলথকী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে

এপিয়া, জুলাই ১২ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটর অজয় সিংহনা ঙসি সামুৱাগী সিটি এপিয়াদা চথুরিবা কমনৱেলথ ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২২দা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটর অজয় সিংহনা ঙসি কে জি ৮১গী কেটগোরিদা পুন্না কে জি ৩৩৮ থাঙ্গৎতুনা অনৌবা কমনৱেলথকী রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি। অজয়স সিংহন স্নেটচতা কি লোগ্রাম ১৪৮ থাঙ্গৎখ্রবা মতুং ক্লিন এন্দ জর্কতা মশাগী অরুম্বা অদুগী শরুক অনী হেন্না থাঙ্গৎলগা কে জি ১৯০ থাঙ্গৎতুনা ইন্দিয়াগী ওইবা নেসনল রেকোর্দ অদু থুগাইবতা নত্তনা কমনৱেলথকী রেকোর্দসু অনৌবা অমা থমখি।



নীংশিংবা য়াই, এসিয়ন য়ুথ অমসুং জুনিয়র চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অজয় সিংহনা ঙসি থাঙ্গৎখিবা কিলোগ্রাম ৩৩৮ (১৪৮+১৯০) অসিনা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইরি। চহী অসিগী এপ্রিল থাদা চাইনাগী সিটি নিংবোদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা অজয় সিংহনা কিলোগ্রাম ৩২০ (১৪২+১৭৮) থাঙ্গৎখিবা অদুদগী কিলোগ্রাম ১৮ হেল্লগা কমনৱেথল মেসকী অনৌবা রেকোর্দ থমখি।

কমনৱেলথ ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুকয়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা লিফটর পপুলসংমাইনা কিলোগ্রাম ৮১গী কেটগোরিদা কিলোগ্রাম ৩১৩ (১৩৫+১৭৮) থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। নুপাগী কে জি ৮৭কী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী পি অনুরধানা কিলোগ্রাম ২২১ (১০০+১২১) থাঙ্গৎলগা গোল্ড লৌখি। অদুগা আর বি রহুলনা কেজি ৮৯গী কেটগোরিদা কিলোগ্রাম ৩২৫ (১৪৫+১৮০) থাঙ্গৎলগা সিলভর ফংখি।

# ইন্দিয়াগী গনসেখরন সথিয়ান অমসুং এন্থোনি অমলরাজ ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেবল টেনিসকী দবলসকী ব্রোঞ্জ ফংখ্রে

গীলোং, জুলাই ১২ (এজেন্সী)ঃ

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গীলোংদা ইন্টর্নেসনল টেবল টেনিস ফেদরেসন (আই টি টি এফ)কী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী গনসেখরন সাথিয়ান অমসুং এন্থোনি অমলরাজ ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী শান্নরোয় গনসেখরন সাথিয়ান অমসুং এন্থোনি অমলরাজনা সেমি ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী য়োংসিকজিয়োং অমসুং সাংসি লিগী মখুৎতা অকনবা লম্বা অমদা সেমি ফাইনেল মেচ অদু মায়থীহৌবনি।



নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেমদা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াগী পেয়র অদুনা য়াম্না মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনরকপদগী পোইন্ট ১২-১২ ফাওবা মান্নদুনা লাকখি। অদুবু সাউথ কোরিয়াগী পেয়র অদুগী মায়কৈদগী অহানবা গেম অদুগী থাংনবা পোইন্ট অনী লৌবা ঙমখিদুনা ১৪-১২তা থোইখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী পেয়র গনসেখরন সাথিয়ান অমসুং এন্থোনি অমলরাজনা ক্বার্টর ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী অতোপ্পা পেয়র ৱুজিনজাং অমসুং জোংহুন লিমবু ৫-১১, ১১-৬, ১৪-১২, ১১-৬তা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা গেম অদুসু ইন্দিয়াগী গনসেখরন সাথিয়ান অমসুং এন্থোনি অমলরাজনা সাউথ কোরিয়াগী জিয়োং অমসুং লিগা অকনবা লম্বা তৌনরবসু ৯-১১দা মায়থীখি। মখা তারকপা অহুমশুবা গেমদা অমুক্কসু ৮-১১দা মায়থীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবদগী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌবনি।